# আই এস এল : জমসেদপুর এফ সীনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে






পনাজি, ফেব্রুৱারী ২৫ (এজেন্সী): গোৱাদা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা জমসেদপুর এফ সীনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

গোৱাগী পি জে এন ষ্টদিয়ম ফাটোরদাদা ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবদা লীগ অসিগী ১০১ শুবা মেটচ ওইনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী অমসুং জমসেদপুর এফ সী টিম অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিদা নাকল অনীমক্না বোল পায়বগী চাং অদুম্মক মান্নখি। মেটচ অসিদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৮ ওইখি। অদুগা জমসেদপুর এফ সীনা বোল পায়বগী চাংনা চাদা ৪২ ওইখি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা বোল পায়বগী চাং চাদা খরা হেল্লবসু পাঞ্জল চনবদি ঙমখিদে। অমরোমদা মেটচ অসিগী ৩৫ শুবা মিনিটতা জমসেদপুর এফ সীগী ফোরৱার্দ শান্নরিবা মণিপুর মচা সৈমিনলেন দোঙেলনা মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফকী মতম লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০ দা মাংজিল থানা লৈবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা জমসেদপুর এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমদ্রবসু পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবদি হেন্না ফংখি। মেটচ অসিগী ৫৯ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী গ্রেগ ষ্টেৱার্দনা টিম অসিগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জলশিং হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা শান্নবা হৌরকখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী ৬৬ অমসুং ৬৮ শুবা মিনিটতা থংন-থংননা টিম অসিগী লালদানমাৱী অমসুং মর্সেলিনহোনা পাঞ্জল অমমম্ চন্দুনা ২-২ দা মান্ননা লৈবা ঙমখি। মখা তানা মেটচ অসিগী অরোইবা ফাওবা শান্নখিবা অদুদা মেটচ অসিগী ৮৫ শুবা মিনিটতা জমসেদপুর এফ সীগী জোর্দান মুরেনা বোল অমা হৈনা শিংনা পুশিল্লক্তুনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী মেটচ অদু জমসেদপুর এফ সীনা পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি। হয়েং পুং ৭.৩০ তাবদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সী অমসুং চেন্নাইন এফ সী লম্বা তৌনগনি।

# মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): শান্নরোয়শিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা ঙসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা নুমিৎ অসিগী থৌরম পালন পাকশন্না পাঙথোক্লখ্রে।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাইরোক কোম ভিলেজদা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনন (অমুকো) না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন, পি এ ৱাই দি ও, য়ু সী এস এ অমসুং য়ু সী সী ওগা খুৎশম্নরগা নোংমগী ওইবা শান্ন-খোৎনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট দিজো মঙাঙ, পি এ ৱাই দি ওগী প্রসিদেন্ট জোসেফ কোম অমদি য়ু সী সী ওগী প্রসিদেন্ট ঐচ খোইখোইনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, অখন্নবা লেংবীরকপশিং অমদি থৌরমমপু ওইনা শরুকয়াখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা চাংদম্নবশিং পাঙথোকখি। মশান্নশিং অদুদি মুক্না, য়ুবী লাকপী, থৌরী চিংনবী, ফুটবোল অমদি মিটর ১০০ গী লমজেলনি।




মশান্নশিং অসিদা শরুক য়াখিবা টিমশিংনা রুংৱাংচুং এফ সী, এফ সী লাইরোক, কে জি বোইজ, এস কে ৱাই সী সিনাম কোম, এস ৱাই দি সী সিনাম, দাঙ এফ সী, পি খোনোমফাই, ৫-ব্রদর্স লাইরোক, রেবোংসন এফ সী, কোংপাল এফ সী অমসুং পুরুম এফ সীনি হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন অমদি পুরুম এরিয়া য়ুথ দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (পি এ ৱাই দি ও) না থাদোরকপা তোঙান তোঙানবা চেরোলশিংদা হায়রি।

ওল ককচিং খুনৌ য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অকুকো) না শিন্দুনা ঙসি ককচিং খুনৌ গভর্নমেন্ট হায় স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট এ সনাহলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয় পুন্না শান্নমিন্নসি, অপুনবা শক্তম অমা শাগৎমিন্নসি হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎকী মরুওইবা শক্তম ককচিং খুনৌ অমদি ৱাইখোঙ অনীগী মরক্তা শান্নখিবা ফুটবোল ফ্রেন্দলি মেটচনা ওইখি। ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী লীচিং মখাদা পাঙথোকখিবা ঙসিগী ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অদুগী মাঙওইননা অঙাংশিংবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা কে এ সী ও অমদি পি ৱাই সীগী অন্দর ১২ গী ওইবা এক্সিবিসন ফুটবোল মেটচ অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

ঙসি মণিপুরগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লবগুম অমুকোগী মীৎয়েং মখাদা য়াইরিপোক য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা বিষ্ণুনহা য়ুথ ফেদরেসন য়াইরিপোক্কী প্লে গ্রাউন্দদা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা য়াইরিপোক য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট ডা. রাজেন্দ্রো, ভাইস প্রসিদেন্ট এন গুনমনি, ওল থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী এল রাজেন, য়াইরি ক্লব কেক্রুগী সেক্রেটরি দিজেন অমসুং বি ৱাই এফ ৱাইগী সেক্রেটরি বোমচানা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ থৌরম অসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু তোঙান তোঙানবা মফম ১৩ দা য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন ওফ বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকখি হায়রি।

# আই রবিচন্দ্র অমসুং এম মাঘোবু হেদ রেফ্রি ওইনা খনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): আই রবিচন্দ্রা অমসুং এম মাঘোবু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মথংশিংনা হেদ ওফ রেফ্রিস এন্দ এসিষ্টেন্ট হেদ ওফ রেফ্রিস ওইনা এপোইন্ট তৌরে হায়না এসোসিএসন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোয়না খুয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি এসোসিএসন অসিগী এগজিক্যুটিব কাউন্সিলগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুং রবিচন্দ্রা অমসুং মাঘোবু খুদক্তগী এসোসিএসন অসিগী হেদ অমসুং এসিষ্টেন্ট হেদ রেফ্রিস ওইনা খনখিবনি হায়রি।

অমরোমদা এসোসিএসন অসিগী অতোপ্পা চেরোল অমদা ঙসি পাঙথোকখিবা অম্ফাগী এগজিক্যুটিব কাউন্সিলগী ওইবা মীফম্না বিদ অমা পাঙথোক্লগনি হায়না অনীশুবা অম্ফা কপতা শরুক য়াগদবা সুপর/ফার্ষ্ট এনটাইটিস/ক্লবশিংদা খঙহল্লক্লি।

কপ অসিদা শরুক য়াগদবা সুপর/ফার্ষ্ট এনটাইটিস/ক্লবশিংনা মথং থাগী ৫ ফাওবগী মনুংদা বিদ অসিগীদমক মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং অম্ফা ওফিসতা পীশিল্লক্লবা খঙহল্লকপগা লোয়ননা বিদ অসিগী মিনিমম এমাউন্টনা লুপা লাক্ষ ৫ নি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# অর্সনেল এফ সীনা ৱোল্ভসপু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে


লন্দন, ফেব্রুৱারী ২৫ (এজেন্সি): ইংলিস প্রেীমিয়র লীগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অর্সনেললনা মীয়াম্না ৱোল্ভস এফ সী হায়রগা হেন্না খঙনরিবা ৱোলভরহেম্পটন ৱান্দরর্স এফ সীবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

লন্দনগী ইমিরেট ষ্টদিয়মদা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিদা অর্সনেলনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৬ ওইখি অদুগা ৱোল্ভসনা বোল পায়বগী চাংনা চাদা ৪৪ ওইখি। অদুগা পাস এক্যুরেসিনা অর্সনেলগী ওইনা চাদা ৮২ অদুগা ৱোল্ভসকীনা চাদা ৭৪ ওইখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা টিম অনীনা চাং মান্ননা শান্নখি। অদুবু মেটচ অসিগী ১০ শুবা মিনিটতা ৱোল্ভসকী ৱাং হী চাননা মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অহানবা হাফকী লোইবা ফাওবদা অর্সনেলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী ৱোল্ভসনা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবদসু টিম অনীনা চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিগী ৮২ শুবা মিনিটতা অর্সনেলগী নিকোলাস পেপেনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা ১-১ দা মান্ননা লৈখি। মেটচ অসি এক্সট্রা টাইম শান্নখিবদা অর্সনেলনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা থিংনবা হোৎনবদা ৱোল্ভসকী জোসেনা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনশিনখিবা অদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু অর্সনেলনা পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 384**

**Gorcuk, Ozgu (1299) - Huang, Wendy (1648)**
**EU-ch U10 Girls 28th Riga (8), 2018.08.28**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.Bf4 Nf6 | 3.Nf3 c5 | 4.c3 e6 |
| 5.e3 Nc6 | 6.Nbd2 Bd6 | 7.Bg3 O-O | 8.Bd3 b6 |
| 9.e4 Be7 | 10.e5 Nh5 | 11.Qe2 Bb7 | 12.O-O-O g6 |
| 13.Kb1 a5 | 14.Bb5 Na7 | 15.dxc5 bxc5 | 16.Ba4 Bc6 |
| 17.Bxc6 Nxc6 | 18.Nc4 Qc7 | 19.Na3 c4 | 20.Nb5 Qb6 |
| 21.Nbd4 a4 | 22.Nxc6 Qxc6 | 23.a3 Rab8 | 24.Ka1 Qb6 |
| 25.Nd4 Rfc8 | 26.Rb1 Qa5 | 27.Qc2 Bc5 | 28.Rhd1 Ng7 |
| 29.Bf4 Rb3 | 30.Nxb3 axb3 | 31.Qc1 Ra8 | 32.Be3 Bxa3 |
| 33.bxa3 Qxa3+ | 34.Qxa3 Rxa3+ | 35.Kb2... | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 383 Ans. :**

45. axb3 Rc7 46. Rh2
45. axb3 c2+ 46. Kxc2 Rc7+ 47. Kd2 Nxc1 48.f5
1-0

# থাঙ-তা মহৈকোলনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরনা শিন্দুনা য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা এসেসিএসন অসিগী শঙলেন্দা থা অসিগী ২০ দগী পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ৩২ শুবা ষ্টেট থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২২ ঙসি লোইশিনখ্রে। চেম্পিয়নশিপ অসিদা থাঙ-তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা থাঙ-তা মহৈকোলগী শান্নরোয়শিংনা গোল্ড মেদল ২৩, সিলভর মেদল ৯ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৭ পুন্না মেদল ৩৯ ফংদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়নগী টাইটল লৌখিবনি। অদুগা ইবুধৌ কোরৌহনবা থাঙ-তা এন্দ কলচর এসোসিএসন মোইদাংপোক্কী শান্নরোয়শিংনা গোল্ড মেদল ১৬, সিলভর মেদল ১০ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৫ পুন্না মেদল ৩১ ফংদুনা রন্নর্স অপ তাখি। অদুগা চেম্পিয়নশিপ অসিগী গার্লস বেষ্ট দিসিপ্লিনগী এৱার্দনা হাওকোক থাঙ-তা একাদমি হুনপুংগী শান্নরোয় লৈসিলেমসী এমদা থৌরম অসিগী প্রসিদেন্টনা খুশিন্নখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা হুয়েল লাল্লোং থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন ইরিলবুংগী প্রিন্সিপল কম দিরেক্টরসু ওইরিবা সঙ্গিট নাতক একাদমি এৱার্দি কে সনাথোইবা, হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমার, ডা. লৌরেম্বম ইবেতোম্বী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন অমসুং কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিয়ল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটিগী এদভাইজর পরিজাৎ তখেল্লম্বম্মা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# মেন্স ওপনদা জাফৌ-এ অমসুং ভেটরানগীদা মোন্সাং পন্থানা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): থা অসিগী ১ দগী হৌরগা সীরটি ওলিম্পিক এসোসিএসননা শিন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা লিৱা সারৈগ্রাউন্দদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ১৪ শুবা সীরটি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২ গী ওইনা মেন্স ওপনগীদা জাফৌ-এনা ৱিন্নর টাইটল লৌখ্রে অদুগা ভেটরানগীদনা মোন্সাং পন্থানা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা লিৱা সারৈ গ্রাউন্দদা জাফৌ-এ অমসুং খোরিবুং টিম অনীগী মরক্তা মেন্স ওপনগী ফাইনেল মেটচ শান্নখি। টিম অনিগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিদা জাফৌ-এনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লবসু পাঞ্জল চনবদি ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা ০-০ দা মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চনবা অদুম্মক ঙমদনা লৈনখিবনা মরম ওইরগা পেনালটি কাউনবদা তাখি। টিম অনীগী মরক্তা কাউনখিবা পেনালটি অদুদা খোরিবুংগী ওইনা বোল মরি কাউবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। অদুগা জাফৌ-এগীনা বোল ৩ কাউবদা অনী পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী মেটচ অদু জাফৌ-এনা পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা ৱিন্নর টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা ভেটরানগী ওইনা মোন্সাং পন্থা অমসুং লিৱা চংনিং টিম অনীগী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাফ হৌগৎলকপদা মোন্সাং পন্থানা বোল হেন্না পায়দুনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা মেটচ অসিগী ১২ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী এস ঐচ ৱিলসননা মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। অদুবু মেটচ অসিগী অরোইবা ফাওবদা লিৱা চংনিংগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী ফাইনেল মেটচ অদু মোন্সাং পন্থানা ১-০ দা মায়পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।


**Format C-2**

*(For political party to publish in website, newspapers, TV)*

Declaration about criminal antecedents of candidates set up by the party

*(As per the judgment dated 25th September, 2018 of Hon'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 (Public Interest Foundation & Ors. Vs. Union of India & Anr.)*

Name of Political Party: Indian National Congress (INC)

* Name of Election : 12-Manipur State Assembly Election-2022

Name of State/ UT : Manipur

| Sl No. | Name of Constituency | Name of Canddidate | (A) Pendding criminal cases | (B)Details above casses conviction for offences Name of Court & date(s) of order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed. | Maximum punishment imposed |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | 22-Wangoi AC | Salam Joy Singh | U/S 19/39(2) of UA (P) Act, 1967 i) U/S 19-Whenever voluntarily harbours or conceals, or attempt to harbour or conceals any person knowing that such person is a terrorist shall be punishable with imprisonment for a term which shall not be less than three years but whichmay extend to imprisonment for life, and shall also be liable to fine : Provided that this section shall not apply to any case in which the harbour or concealment is by the spouse of the offender. ii) U/S 39 (2) - A person, who commit the offence relating to support given a terrorist organisation under sub-section (1) shall be punishable with imprisonment for a term not exciding ten years, or with fine, or with both. | N/A | N/A | N/A |

Sd/- H. Jane Meitei

*for,*
Indian National Congress (INC)
Manipur Pradesh, Imphal.

HL-P/1790/24,25,26


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com